
# লমদম অসিগী শক্লাইরবা তাংখুল ফোক সিঙ্গর রিউবেন মশাংভা



কুইরে রিউবেনগা শক খঙনরকপা। মহাক তাংখুলগী কলচরবু নীংথিনা য়োকখৎচবা পামজবা, য়াম্না তাঙবা সিঙ্গর অমনি। মহাক্কী ঈশৈশিং অসি চপ চানা তাংখুল ফোক ওইবরা নৎত্রগা ওইদবরা? তাংখুল ফোককী ফজবা শৈশক, শৈদা নৎত্রগা শৈশক অদুগী ইসেন্স খরা লৌরগা মহাক্কী ওইবা অনৌবা শৈশক অমা শাগৎলিবরা হায়বা ৱাহং ময়াম অমা হংনদুনা লাকই। অদুবু মদুগী অশেংবা পাউখুমদি ফোক নৈনরিবশিংনা খঙবীরি। মহাক্কী শৈশক্তি তাংখুলগী অরিবা মীয়াম্না কাওনখ্রবা শৈশক কয়া অদু অনৌবা ময়েক অমদি অনৌবা শুর শেমদুনা ফোককী কেরেক্টর অমদি আইদেন্টিটি অদু পুখৎতুনা ঙসিসু তগৎ তগৎ তেক্লা হিংহনবনি। মসিমক য়াম্না তাঙবা খুদোল অমনি। মহাক্কী হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসি ওইরক্লবা হোৎনবা মতমদা রিউবেননা কয়াগী মতিক ৱারকখিবা, কয়াগী মতিক কখোরকখিবা হায়বা অদুদি মহাকপু মুন্না খঙবশিংতনা খঙবনি। ফনা য়াম্না হায়বা শাবনি, ঙসিদি তাংখুলগী ফজরবা ফোককী শৈশক কয়া রিউবেননা কন্দুনা থম্লে। রেকোর্দ কয়া লৌরে, তুংগী মীরোলগীদমক মুৎপা নাইদনা লৈহৌরগনি।

রিউবেন মশাংভা, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতগীনি। প্রোপর উখ্রুলদগী পংলাপ লাপ্পা মফম অমদি নত্তে কাংখুই কেভ হায়না মীয়াম্না খঙনরিবা মফম অদু চৎপগী লম্বীদা লৈরিবা চোইথের হায়বা ভিলেজ অদুদগীনি। অপোকপনা কার্পেন্টর অমা ওইনা য়ুম শাবা, অমদি মখল কয়াগী কার্পেন্টরগী থবকশিং শুই। অদুগা অপোকপীদি ইচম চন্বা খুলগী ফার্মর অমনি। লৌ উবা, ইংখোল কোয়বা অসিনচিংবদা ৱানা হোৎনজবা ফেমিলি অমদা চাউরকপনি। অপোকপগী থবক্তা পীশক পীক্লিঙৈদগী মতেং পাংবা ওইনা রিউবেন য়াওরকই। অদুনা মহাক উ শুবা হৈবগা লোয়নননা মখুৎ মশাসি য়াম্না হৈ শিংই। অদুনা তাংখুলগী মখল কয়াগী ম্যুজিক ইন্সত্রুমেন্ট শম্না হায়রবদা- তির্ন্টিংলা/ফ্লুট মখল খরা অমদি অতৈ অতৈশিংসি মানা শেম শেমদুনা উয়াম্না শাই। মদুনা মাঙখ্রগদবা ম্যুজিক ইন্সত্রুমেন্টশিং ইনৌ নৌনা হিঙ্গৎহনবগী থৌদাং অসি তাংখুল মরক্তা রিউবেননা লৌদুনা লাক্লি। অমরোমদা লৌবুক্তা/পামদা মমাগী মতুং ইন্দুনা থবক শুবা চৎপদা মমা অমদি থবক শুরিবশিংনা থবক শুনা শুনা, অমদি লম্বীদা হল্লকপদা ঈশৈ শক্তুনা নুংঙাইনা থবক শুবা অমদি চৎপদু মহাক্লা থৱায় য়াওনা তারকখি। মদুনা তাংখুল ফোক ঈশৈ শাক্লিংবা অমদি খঙনিংবগী ইহুল কয়া পীখি। ফোক হায়সিমক্তবু, থোইদোক্লা ইশিন্দুনা অমদি হান্ননা শেম শাদুনা লৈবা নত্তে। থবক থবক অদুগী মতুংইন্না পূক্লিংদা ফাওবা ইথিল অদু মশা মথন্তনা ঈশৈ ওইনা থোরকপনি। ময়েক ইদুনা শেমদুনা শকপা নত্তে। তৌবতবু শক্লিবা শৈশক অদুদি কাঙলুপ অদুগী ফুরুপ অদুগী মহৌশাদগী চৎনদুনা লাক্লবা মশাগী আইদেন্টিটিগা শাগোন্নবা শৈশক অদুনি। অসুম্না পীক্লিঙৈদগী হৌনা অহল-লমন কয়াগী মনাক্তা ফমদুনা ঈশৈ য়াম্না তারকখি। অদুনা লুরা লুরবা ঈশৈ কয়া ফারক্লবগী মরম ওইখি। তাংখুলগী মতম মতমগী ওইবা সিজনেল, ফঙ্কসনেল অমদি নন-ফঙ্কসনেল ওইবা ঈশৈ কয়া রিউবেননা ফাই। অদুগুম্বা কয়া অদুনা মচাক ওইরগা হৌজিক মহাক্লা ইনৌ নৌনা তাংখুল ফোক ঈশৈ নৌনা হিঙ্গৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখি।

ঈশৈ য়াম্না পামজরক্লবসু কনাদা চৎলগা, কমাইনা তৌরগা মহাক্কী ম্যুজিক্কী খোঙচৎ অসি হৌগদগে হায়বা অসি মহাক খঙখিদে। অদুনা খুলগী থৌরমশিংদা ঈশৈ খরা অদুক শকপা নত্তনা থোইদোক্লা মহাক্কী মফম অমা কনবা তাংখুল মরক্তসু ঙমখিদে। মরক অসিদা মহাক অসি মীয়াম্না ঈশৈ শকপা অমা ওইনা খঙনববুদি ফাগী য়াম্না হৈবা, মীবু নোকহনবা অমদি থৌরম কয়াদা, মরুপ-মপাং তীন্নবদা ৱারী লীদুনা ফাগী তৌদুনা হৌরকখি। অদুনা মহাক অসি জোকর অমনি হায়না ময়াম্না খঙনৈ। মহাক ঈশৈ শকপা অমা ওইনা কৈদৌনুংদা মশীং থানখিদে। মহাক্লা ঈশৈগী লম অসিদা মায়পুননা চঙশিল্লকখিবা অসিদি কোন্নথংদনি। থৱায়নদি পামজবনিনা, মীঙৈন্দগী লুপা ৯০ পীবা গিটর অমা লৈরগা, জেং জেং পংখিংদা খিংলগা ঈশৈ পংশক্তা শক্লকপনি। ঈশৈদুগী কি চারিবরা চাদবরা, শুর চারিবরা কৈদৌরিবনো হায়বনচিংবা অমত্তা খঙবা নত্তে। গিটর অমা খোংলি হায়বদুদা হরাওদুনা ঈশৈ পংশক্তা শক্লকখি। মতমদুদা মহাক্লা লৈরিবা মফমদুদা মাবু তাকপী তম্বীনবা কনাসু লৈখিদে। অদুনা ১৯৮৭তা ইম্ফালদা মহাক ঈশৈগী লম অসিদা খরা তম্নবা লাকখিবনি। ইম্ফালদা তাংখুলগী অহল খরা থেংনৈ, মখোয়গা তান্নদুনা ফোক সোংগী ভেল্যু অমদি মসিগী মরুওইবা কয়াশিং অদুগী মতাংদা ৱারী শানবা হৌখি। চর্চতা চৎতুনা ঈশৈ কয়া শক্লকখি। অসুম্না মথং মথং ম্যুজিক আর্ট পাম্লুবদগী মরী লৈনবা মৈতৈগী ওজাশিংসু অদুম থেংনবা হৌখি। রেদিওদসু তাংখুল ফোক সোং শকপা হৌরে। ১৯৯২ য়ৌরকপদদি ম্যুজিক্কী ইষ্টাব্লিস অসি মওং চুম্না তৌবা



হৌরকখি। চহীসিমক্তদা মণিপুরী ফিল্ম মায়োফিগী মচা হায়বসিগী ঈশৈদা অমদি ম্যুজিক্তা ওজা টিকেনগা থেংনদুনা অচৌবা থৌদাং লৌখ্রে। অসুম্না ইম্ফালদা কলচরগী মতাংদা পুথোকপা সেমিনার দিস্কসন কয়াদা শরুক য়ারকখি। মদুনা কলচরগী অমদি ফোককী ওইবা অকুপ্পা কয়াশিং অদুগী নোলেজ লাকপা হৌখি। অদুগা লোয়নননা মখা তানা থিজিন হুমজিনবা হৌরকখি।

রিউবেন মশাংভা, লমদমসিগী ওইনদি য়াম্না তাঙবা ফোক সিঙ্গর অমনি। তমদসু চীংদসু ফোক ম্যুজিকপু থম্মোয় শেংনা নুংশিবা মীগী চাং অসিদি য়াম্না শাথিনা নেমখ্রে। মরুওইনা চীংদদি মসি মরু ফংনা মাঙশিল্লকখ্রে। মসিদা রিউবেননা মহাক মশাগী মথৌ অমা ওইনা, প্রাইভেট কম্পেনি অমদা থবক তৌরম্বা ফাওবা থাদোক্তুনা ফোক ম্যুজিক্কী মরমদা থিবা হৌরকখিবনি। তাংখুলগী অরিবা ফজরবা শৈশক অমদি শৈদা কয়া অদু নীংথিনা তাশিন খোমজিন্দুনা অনৌবা ময়েক হাপচিন্দুনা হান্নগী শুর অদুগী ভেল্যুশিং অদু মাঙহন্দনা ঈশৈ শকপা হৌরকখি। মতমদুদা মহাক্কী ঈশৈগী শৈদা অসি, তাংখুলশিংগী মরক্তসু মহাক্লা শক্লিবা ফোক ওই ওইদে হায়না মরৈ কয়া অমা য়েৎপীখি। মতমদুদা মহাক মথ্বায় য়াম্না নুংঙাইখিদে। মহাক্লা খল্লুবনা, হান্না লৈরম্লিবা অরিবা ফোককী শৈদা অদু মাঙহন্দনা মতমসিগী মীরোলনা পাম্নবা অমদি ফোককী মহাওবুসু খঙনবা অনৌবা ঈশৈ খরা শেমখিববু মঙোন্দা অয়েৎপা কয়া অমা লাকপা অদুদা নীংহন্নবা পোকখি। মহাক্কী পান্দমদি ফোককী লৈরিবা মহাও অদু শুকমাং মাঙহন্দনা থম্লগা কম্যুনিটিগী নহা অহলশিংনা এক্সেপ্ট তৌবা য়ানবা মওংদা গিটরনচিংবা মখল কয়াগী ম্যুজিক ইন্সত্রুমেন্টশিং শীজিন্নদুনা পুথোকচরিবা মহাক্কী ঈশৈসি মমিং হায়গদরা শৈদা হায়গদরা অসি অদুবু **নাগা ব্লুজ** নি হায়না মমিং থোন্দুনা মহাক্কী ঈশৈ মখা চথখি। অদুবু মপান্দা চৎপা মতমদদি নাগা ব্লুজ হায়রবনিনা তাংখুলগী ফোককী মহাও অদুবুদি খঙবীখিদ্রে। মসিনা মহাকপু অমুক হন্না নুংঙাইহনখিদে। অদুনা মহাক্কী ঈশৈগী মিংথোল অসি হাও ম্যুজিক এক্সপোনেন্ট হায়না হায়দুনা মহাক্কী মফম কন্নবা কন্না হোৎনরকখি।

রিউবেন মশাংভাদি ঈশৈসু শকই, তাংখুলগী তির্ন্টিংলা, ফ্লুট, মসিগা লোয়নননা মাউথ ওর্গানসু মশানা খোংজরগা ঈশৈ শকই। মহাক্কী তোপ তোপ্পা ফোক ম্যুজিককী অনৌবা টেষ্ট অমা পীনবা হোৎনবা অমদি মহাক্কী ঈশৈশিংগী ফজরবা শৈথা কয়া নোংম-নোংমগী হেন্না হেন্না শীংথানবা হৌরকখি। মহাক্কী ঈশৈশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা সোংস ওফ মশাংভা হায়বা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অমসু ওইনাম দোরেননা দিরেক্সন পীদুনা পুথোকখ্রে। ফিল্ম অদু মপান লমদা য়াম্না মমিং চৎপা অমদি পাম্না য়েংনখিবা, লোয়নননা মনা কয়া ফংখিবা ফিল্ম অমা ওইখি। মহাক্লা চঙশিল্লিবা কয়া অসিবু শকখঙবীবা ওইনা ইন্দিয়ন সিটিজনশিংগী মনুংদা পীবা খ্বাইদগী মমল লৈবা এৱার্দ অমা ওইরিবা **পদ্মশ্রী এৱার্দ** হায়বসি লান্থোকখি। অদুবু নুংঙাইরিবদি, পদ্মশ্রী এৱার্দ ফংখ্রবা মতুংদদি মহাক্লা মফম কয়া কয়াদা চৎলগা প্রোগ্রাম ফংদুনা ঈশৈ কয়া শক্লকখিবদু, য়াম্না চাউখ্রবা অমনি হায়না লৌবীদুনা ঈশৈ শক্লবগী ইনভিটেসন খরা লাকপা ৱাৎলকপা অসিনা মহাক্কী শেন্থোক লম্বীদা খোঙলৌ পল্লৌবা ওইনা থোক্লে হায়না নোক্লা নোক্লা পাউদম্লকখি।

রিউবেন ঙসিসু ফোককী লম অসিদা মখা তানা হেন্না চঙশিল্লি। অনৌবা ঈশৈগী মহাও পীনবা লেপ্তুনা হোৎনরি। লোয়নননা মীয়ামদা মরুওইনা নহা ওইরিবশিংদা পাউজেল পীরদুনা অসুম্না থম্বীরকখি- হৌজিক্কী মতম অসিদি ইন্টর্নেটকী অমদি অতৈ কয়াগী অওনবা অহোংবা কয়া লাক্লবা মতমনি। মরম অদুনা অসিগুম্বা কয়া অসিদা হেন্না নুংঙাইথোক্তুনা ইশাগী নেটিভকী অমদি আইদেন্টিটিগী ওইবা ৱাখল্লোন কয়া অসিসু নুংঙাইবদুদা য়াওখিদুনা লোইনা মাঙশিল্লকপগুম তৌরে। মসি য়ারিমখৈদি ঐখোয়না কা হেন্না নুংঙাইথোকপরোমদা চৎলোইদবনি। তুংগী পোরম য়েংনা পুন্সি অসি চথুগদবনি, আইদেন্টিটি য়াওদনা মীওইবা অমনা কৈদৌনুংদা মনুং থিৎনা নুংঙাইবা য়ারোই হায়বসি নীংশিংবা ফৈ হায়বা ৱাফম অসি চেকশিন্না থম্বীরকখি। নাদ-য়েক্তনা মতম শাংনা মীয়ামগী থৌগল তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না মপুগী মফমদা নীজরি।

- *নানি*

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৮।০৫।২০২২ইং, নোংমাইজিং;
কালেনগী ৭পানবা।

**মেষ:** হকচাং নুংঙাইবা, থৌনা লৈবনা শেন্দাল লম্বীদা মায় পাকচবা অমদি অকিবা লৈগনু। অদুবু নাপলদি থাদোকউ অমদি হন্থবা লোয়নগনু, হোয়া ফগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ইরাং পুগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**বৃষ:** ঙসিসু অয়াম্বা লমদা মায় পাক্কনি, অনিংবা থবক পাঙনবা হোৎনবদা থৌনাগা লোইননা পাঙউ। অফা-অপুন্নবা কোকচগনি অমদি মীনা ইকাই খুম্নবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**মিথুন:** অনৌবা মরুপ ফংজগনি, লম চৎপা কান্নগনি, থাজদবা মরমদৈ ওইজবা ফংউ হায়বা নুমিৎনি। অখং অহৈগী ৱা থওইদবনা থবক পাঙবদি ৱাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- থেংলপ্পা নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

**কর্কট:** হরাওবা, নীংবা থুংবা, অনৌবা থৌরমদা মায় পাক্লা পাঙবা ঙমজবা, মরুপ মপাংগী মতেংদগী অঙম্ববু খুদুম চনবা ঙম্বা নুমিৎনি। মীনসু লাকচবা ঙমলোই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**সিংহ:** পোরম য়াৎপা হৈবা, ঙাংশকপা হৈবা অমদি অরং-অরাক ফংবগুম নুংঙাইবা নুমিৎনি। অশাওবনা পোথাফম খঙদবা, খুৎ চাওবনা মাঙজবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈকাই খুম্নবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কন্যা:** নীংবা থুংবা, য়েৎনরম্বা ফবা, অচুম্বনা মায় পাকচবা নুমিৎনি। অদুবু অঙম্বনা ৱারৌবা অমদি পাঙগে খনবা থবক পনবদি লৈগনি। ৱা ঙাংবা হৈবা ৱাৎলি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**তুলা:** থবক পাঙগনি, নীংবা থুংগনি, অনৌবা অশাগা লোয়ননা পাঙবা থবক শোয়দনা মায় পাক্কনি। শকখংদবগী ৱা লৌবদি লুই, হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলি।
লৈশা পাখংশিংগী- মীচং লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেং

**বৃশ্চিক:** মীকোক থোংগনি, পাইরক্কী লৌশিং চাওবনা খুদক্তা ৱারেপ লৌবা য়াগনি, মীয়াম্নসু য়াই, অমদি থাগৎপি। অদুবু নথক থোংবনা চানবীবদি ৱাৎলি।
লৈশা পাখংশিংগী- হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**ধনু:** অরং অরাক ফংজবগুম নুংঙাইজবা, থৌনা লৈবনা অফবা মফম কনজবা ঙম্বা, নচাক নরল চাওখৎনবা হোৎনবদা মায় পাকচবা লৈ। খুৎতি চাওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**মকর:** নীংজবা থুংগনি শেন্দোং চাওগনি, অনৌবা অশা লাক্কনি, মীয়াম্না থাগৎপিবা নুমিৎনি। য়েৎনবনা নরল ময়েং তাগনি, হুৱানবনা মরুপ কায়নহনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কুম্ভ:** মীচং লৈ, ৱাখল থোক্কনি, অনৌবা অশা লাক্কনি, মীনা লাকচবা ঙমলোই , নীংহন্নগনু মায় পাকপদি নশাদা লৈরে। ৱানোম থৌনোম থোইনা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মিন:** ঈংথৌ-মাঙগদবগী শরুক খোংফম অমা-অনী হন্দোকপনা য়াম্না শিংবা তাগনি। অশাওবা, নাপল অমদি চরাংনবনা খ্বাইদগী হেন্না মাঙজগদবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরুপ তান্নৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## নুমিৎ নীনী চথরকখিবা সেমিনার কম ৱার্কশোপ লোয়শিনখ্রে



ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচ এন এস):

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা ওর্গনাইজ তৌদুনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী কোর্ট হোলদা নুমিৎ নীনী চুপ্পা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিটিশিংগী ভাইস চাঞ্চেল্লরশিং রেজিষ্ট্রারশিং অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেসনগী ওফিসলশিংগা লোয়নননা পাঙথোক্তুনা লাকখিবা সেমিনার কম ৱার্কশোপকী থৌরম ঙসি লোইশিনখ্রে।

ঙরাংদগী হৌরগা পাঙথোকখিবা সেমিনার অদুদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট এদ্যুকেসন এন্দ এক্সটরনেল এফেয়র্স গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া ডা. আর কে রঞ্জননা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর এন লোকেন্দ্রোনা সেমিনার অদুবু য়াওবা লাকখিবা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট, ভাইস চাঞ্চেল্লরশিং, দাইরেক্টরশিং, রেজিষ্ট্রারশিং, মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেসনগী ওফিসলশিং, য়ু জি সী অমদি অতোপ্পা ওফিসলশিং তরাম্না ওকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ডা. আর কে রঞ্জননা ফোঙদোকখিবদা, পাঙথোক্লিবা সেমিনার কম ৱার্কশোপ অসিনা অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা য়ুনিভর্সিটিশিংদা কান্নবা কয়া পীবা ঙম্লগনি। অনৌবা ইন্দিয়া অমা শেমগৎনবা হোৎনবদা ইন্টলেকচুয়লশিংগী ওইবা সেমিনারশিং শিনবা অসি য়াম্না মথৌ তাই। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোক্লিবা সেমিনার অসিনা অনৌবা ইন্নোভেটিব ওইবা থবক থৌরম কয়াদসু চাওনা মতেং পীরগনি হায়খি।

সেমিনার অসিদা শরুক য়াখিবা ভাইস চাঞ্চেল্লরশিংদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসার এন লোকেন্দ্রো, নগালেন্দ য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসার পরদেসি লাল, নোর্থ ইষ্টর্ন হিল য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসারপ্রভা শঙ্কর সুক্লা, রাজিব গান্ধী য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসার সাকেট খুসৱা, সিক্কিম য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসার অভিনাস খারে, তেজপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসার ভি কে জেন, ত্রিপুরা য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসার জি পি প্রেসান, ইন্দিরা গান্ধী নেসনল ট্রাইবেল য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসার প্রকাস মনি ট্রিপাথিনি।

শরুক য়াখিবা রেজিষ্ট্রারশিংনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসার দল্লিয়ু চান্দবাবু, সেন্ত্রেল ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি কোক্রাঝারগী চিতালি ব্রমা, নগালেন্দ য়ুনিভর্সিটিগী ডা. অবেমো, নেরিষ্টকী প্রোফেসার কে এন দেৱানগন, নোর্থ ইষ্টর্ন হিল য়ুনিভর্সিটিগী ডা. জে এন নায়ক, সিক্কিম য়ুনিভর্সিটিগী কে ভি এস কামেশ্বর রাউ, তেজপুর য়ুনিভর্সিটিগী ডা. বিরেন দাস, ত্রিপুরা য়ুনিভর্সিটিগী ডা. দিপক শর্মানি। সেমিনার অদুদা আই জি এন টি য়ুগী রিজনেল দিরেক্টর ডা. এন জি ঙালেনঙম, মিজোরাম য়ুনিভর্সিটিগী প্রো ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসার জে কে পটনায়ক, অসাম য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসার পিয়ুস পান্দে, রাজিব গান্ধী য়ুনিভর্সিটিগী ফাইনান্স ওফিসার প্রোফেসার ওটেম পাদুং, য়ু জি সীগী দিরেক্টর বিস্বজিৎ কুমার, জেইন্ট সেক্রেটরি ডা. জিটেন্দ্রা কে ত্রিপাথি, হায়র এদ্যুকেসনগী অন্দর সেক্রেটরি ভিজয় কুমার অমদি হায়র এদ্যুকেসনগী জোইন্ট সেক্রেটরি কামিনি চৌহান রতনসু শরুক য়াখি।



Title : Fruit
By : Bigson
Class : III
School : Gem Public School Pourabi




Title : Good Morning
By : Birjit Mutum
Class : III
School : Gem Public School



Title : Unicorn
By : Khundongbam Dimbeshwor
Class : II Roll : 12
School : CCEF Wangjing



Title : Huggy Wuggy
By : Korounganba Chongtham
Class : IV Roll : 36
School : The Comprehensive School, Oinam



Title : Kabaddi Player
By : Leimapokpam Zimbaway Singh
Class : VII Sec : B Roll : 36
School : St. John English High School, Nambol




Title : Scenery
By : Bidyasagar
Class : IV
School : Gem Public School Pourabi



Title : A girl reading near panda
By : Takhellambam Damini
Class : I Sec: Lotus Roll : 22
School : SL Arena of Learning




Title : My Racing Cycle
By : Yumnam Nandeshor
Class : V Roll : 18
School : Sacred Heart Hr. Sec. School, Porompat



Title : Watermelon
By : Meitram Helentina Devi
Class : I Sec: Buttercup Roll : 27
School : R.M. School




Title : Riding Bicycle
By : Luwangkhomba
Class : V Roll : 44
School : Pole Star Public School




Title : Hill Station
By : Pabilika
Class : II Sec : A Roll : 29
School : Pole Star Public School



Title : A landscape
By : Washuda Mutum
Class : VIII Roll : 2
School : S.V. Getwell School



Title : A Happy flying fish
By : Erom Remkison
Class : V Roll : 2
School : Maheilen Boarding



Title : Mickey
By : Lanchenba
Class : V Roll : 31
School : Maheilen Education Centre



Title : Scenery
By : Lourembam Roneljit
Class : III Roll : 30
School : Pishakmacha Bidya Mandir



Title : A Land Scape
By : Th. Yohenba Singh
Class : IV Roll : 6
School : Pishakmacha Bidya Mandir

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়নননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।